### এন হাজারি অমদি ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

# কেপ্টেন ওজিৎ অমদি অতাঙবগী গোলনা এক্স পোলো ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরকপা ৩৬শুবা এন হাজারি অমদি ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈনা ৱিন্নর অদুগা তেকচম পোলো ক্লবনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।




টুর্নামেন্ট অসিদা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবকী সিনাম সাওলিননা বেষ্ট য়ং ষ্টার পোলো প্লেয়র তাদুনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০গী মনা ফংখি। ৱিন্নর ওইখিবা এক্স পোলোদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫০ অমদি টি-শর্ট খূৎশিন্নখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাখিবা তেকচম পোলোক্লবতা ট্রোফি অমদি টি-শর্টকা লোয়ননা লুপা লিশিং ৪০গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি।

ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টিম কেপ্টেন পি ওজিৎনা চনখিবা গোল ৫ অমদি এল অতাওবনা চনখিবা গোল ২গী মতেংনা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈনা তেকচম পোলো ক্লবপু ৭-৬তা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

টিম অনীনা অহানবা চক্করগী শান্নবদা গোল অমমম্ চন্নদুনা দ্রো ওইখি। তেকচমগী এস সদানন্দনা অহানবা চক্কর হৌরকপগী ০.৩১দা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। কেপ্টেনপি ওজিৎনা শান্নবগী ৬.২৮দা ইক্কোলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

ওজিৎনা মখা তানা অনীশুবা চক্করদা এক্স পোলোগী গোল ২ হাপচিনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা গোল অমমম্‌গা হাপচিনবা ঙমখি। এল অতাওবনা অনীশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.৫৭তা এক্স পোলোগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা অরোইবা চক্করগী ৩.২৮দামায় পাকপগী ৭শুবা গোল চনবা ঙমখি।

কেপ্টেন কে জোগেন্দ্রনা অনীশুবা চক্করগী ৩.৪৬তা তেকচমগী অনীশুবা গোল চনখি। এস সদানন্দনা শান্নবগী ৬.০১দা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

সদানন্দনা মখা তানা অহুমশুবা চক্করদা গোল ১ অমদি অরোইবা চক্করদা গোল ২ হাপচিন্দুনা এক্স পোলোগী মখূৎতা ৬-৭তা মায়থীদুনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা ভাইকিং সলাম অমদি টি ঐচকাওবনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি পি ভাইফেনা অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ দিলিপনা থৌরম মপু অদুগা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. এন জি ইবোতোম্বী, ডা. এন মোনিকা অমদি এন রেনুকানা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# লৈবাক ৭কীসু ফুল স্কৱাদ লাউথোকখ্রে






### মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ য়েংবা ফংগদবা নুমিৎ ৮নিদা ঙাইশিল্লক্লে

ফিফানা মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী স্কৱাদ লিষ্ট নভেম্বর ১৪ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কবা খঙহনখ্রবা মতুং শগোলশেন নুমিৎ ফাওবদা লৈবাক ১৬কী ফুল স্কৱাদ লিষ্ট লাউথোকখ্রে। মসিগী মতুং তারকপা ওইনা ঙসি ফাওবদা মখা তানা লৈবাক তরেৎ- সর্বিয়া, অর্জেন্টিনা, পোর্টুগল, উরুগুৱে, সিনেগল, নেদরলেন্দস অমদি স্পেনগী স্কৱাদ লাউথোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা লৈবাক ৯গী স্কৱাদ লিষ্ট লাউথোকপা লৈত্রি। লাউথোক্ত্রিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ এগী কটার অমদি ইক্কেদোর; গ্রুপ বিগী আই আর ইরান; গ্রুপ সীগী সাউদি অরাবিয়া অমদি মেক্সিকো; গ্রুপ দিদা টুনিসিয়া; গ্রুপ এফতা কাদানা; গ্রুপ ঐচতা ঘানা অমদি সাউথ কোরিয়ানি।

পোর্টুগলগী স্কৱাদ লিষ্টতা গোলকিপরদা জোস সা, রুই পেট্রিসিও, দিওগো কোষ্টা; দিফেন্দরদা জোআও কেন্সেলো, দিওগো দালোট, পেপে, রুবেন দিয়াজ, দেনিলো পেরৈরা, এন্টোনিও সিলভা, নুনো মেন্দেজ, রাফেল গুইরৈরো; মিদফিল্ডরদা ৱিলিয়ম, রুবেন নেভেস, জোআও পালহিনহা, ব্রুনো ফর্নান্দেস, ভিটিনহা, ওটাভিও, মেথিয়ুস নুনেজ, বর্নান্দো সিলভা, জোআও মারিও; ফোরৱার্দতা ক্রিষ্টিয়ানো রোনাল্ডো, জোআও ফেলিক্স, রাফেল লিও, রিকার্দো হোর্টা, এন্দ্রে সিলভা অমদি গোনকালো রামোসনি।

স্পেনগী স্কৱাদতা গোলকিপরদা উনাই সাইমন, রোবর্ট সাঞ্চেজ, দেভিদ রায়া; দিফেন্দরদা দেনি কার্ভাজাল, সিজর এস্পিলিকুইটা, এরিক গার্সিয়া, হুগো গুইলামোন, পাও টোরেজ, এমেরিক লাপোর্টে, জোর্দি অলভা, জোস গায়া; মিদফিল্ডরদা সর্জিও বস্কিট, রোদ্রিগো হর্নান্দেজ, গাবি, কার্লোস সোলর, মার্কোস লোরেন্টে, পেদ্রি, কোকি রিসরেক্সন; ফোরৱার্দতা ফেরান টোরেজ, নিকো ৱিলিয়মস, য়েরেমি পিনো, অলভারো মোরাটা, মার্কো এসেন্সিও, পেব্লো সারাভিয়া, দেনি ওলমো অমদি অন্সু ফাটিনি।

অর্জেন্টিনাগী স্কৱাদতা গোলকিপরদা ইমিলিয়ানো মার্টিনেজ, জেরোনিমো রুলি, ফ্রেঙ্কো অর্মানি; দিফেন্দরদা নাহুইল মোলিনা, গোঞ্জালো মোন্টেল, ক্রিষ্টিয়ন রোমেরো, জর্মন পেজেলা, নিকোলাস ওটামেন্দি, লিসান্দ্রো মার্টিনেজ, জুআন ফোইথ, নিকোলাস টেগ্লিয়াফিকো, মার্কোস একুনা; মিদফিল্ডরদা লিয়ান্দ্রো পেরিদেজ, রোদ্রিগো দি পোল, গুইদো রোদ্রিগেজ, অলেসিস মেক এলিষ্টর, এলিজান্দ্রো গোমেজ, এঞ্জো ফর্নান্দেজ, এজিকুইল পেলাসিয়স; ফোরৱার্দতা লিওনেল মেসি, লোটারো মার্টিনেজ, জুলিয়ন অলভারেজ, এঞ্জেল দি মারিয়া, পাওলো দাইবালা, জোকিন কোরিয়া অমদি নিকোলাস গোঞ্জালেসনি।

### এন ঈ ওলিম্পিক্স গেমস

# থোটমাচন অমদি রোনেললনা সাইক্লিংদা গোল্ড লৌখ্রে





ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): মেঘলায়ানা য়ূম্বু ওইদুনা শিল্লোংদা চত্থরিবা অনীশুবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক্স গেমসকী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা সাইক্লিং মশান্নদা ষ্টেটকী সাইক্লিষ্ট অনী এ জেদ থোটমাচন অমদি খুন্দ্রাকপম রোনেললনা গোল্ড মেদল অমমম্ লৌবা ঙমখ্রে।

থোটমাচননা জুনিয়র বোইজ এক্স সী ও ১৩.৮ কিলোমিটর ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংদুনা মণিপুরগী অহানবা একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। অদুগা রোনেললনা এলিট মেন ১৮.৪ কিলোমিটর ইভেন্টতা ষ্টেটকী অনীশুবা গোল্ড ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, রুশু মশান্নগী ঙসি শান্নখিবা সেন্দা ইভেন্টতা ষ্টেটকী শান্নরোয় ৭ শান্নখিবগী মনুংদা শান্নরোয় ৬ সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

সেমীফাইনেল চঙখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপামচাগী কাঙলূপ্তা অথোকপম জেমস মৈতৈ, সলাম কেনেদি, হৈস্নাম বিজেশ, লোংজম বোইতোন, মশুংঙম হোরাম অমদি সোইবম মংলেমনা কেজি ৫২, ৫৬, ৬০, ৬৫, ৭০ অমদি ৭৫ মখানি। সেমীফাইনেল বাউটশিং থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ৮দগী শান্নবা হৌরগনি।

অমরোমদা, ফুটবোল মশান্নগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা মিজোরামগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীখ্রে।

### দি এস এ ককচীং থর্দ দিভিজন লীগ লোইশিনখ্রে

# ফুমলেন এফ সীনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা চত্থরকপা থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ফুমলেন ফুটবোল ক্লব (পি এফ সী) তোকপচীংনা পূন্না মেটচ ৩ শান্নবদা অহুম্মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

ককচীং ফুটবোল ক্লবনা পোইন্ট ৬ ফংলগা অনীশুবা অদুগা থোংজাও য়ুনিয়ন ক্লবনা পোইন্ট ৩ ফংলগা অহুমশুবা অমদি ককচীং পোপ্যুলর স্পোর্টিং ক্লবনা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেটচতা পি এফ সী তোকপচীংনা কে এফ সী ককচীংবু লাকচনা ৭-১দা মায়থীবা পীখি।

পি এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ বোবি, দব্লিয়ু রঞ্জন, ঐচ মনিথোইনা ২/২ অমদি ঐচ নাওতোম্বনা ১ চনখি। কে এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা পি হরিমেক্সনা চনখিবনি।

### এ ইবোতোন য়ু-১৫ বোইজ থর্দ দিভিজন লীগ

# বি এফ এ অমদি আর এফ সী সী ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): দিএসএ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা চত্থরিবা ৭শুবা ইবোতোন থর্দ দিভিজন অন্দর-১৫ ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা বি এফ এ নাচৌ অমদি আর এফ সী সী কৈনৌ ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।



বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা বি এফ এ নাচৌনা য়ু এফ সী বিষ্ণুপুরপু টাই ব্রেকতা ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা ২-২ দা দ্রো ওইখি। নাচৌগী গোল অনী অদুনা এন জেমসবোন্দ অমদি ও বোরিশনা শান্নবগী ১১ অমদি ৫৫ শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা য়ু এফ সীগী গোল অনী অদুনা ৱাইমৈচমচোং অমদি মচুং অংপৌনা শান্নবগী ৩৬ অমদি ৫৪দা চনখি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা য়ু এফ সীগী মায়কৈদগী মচুং অংপৌ মথন্তা গোল ওন্থোকপা ঙমখি। অদুগা নাচৌ টিমগী মায়কৈদগী জেমসবোন্দ, অশিফ, দিক্সন অমদি বোরিশনা গোল ওন্থোক্তুনা য়ু এফ সীবু ৬-৩দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসিদা নাচৌগী কংলাঙন্বা শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা দবল কোসন ফংদুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। মহাক্কী অহানবা য়েলো কার্দ অদুনা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা বুক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা আর এফ সী সী কৈনৌনা টি ৱাই দি এ তৌবুলবু টাই ব্রেকতা ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা তৌবুল টিমগী মায়কৈদগী জিমর মৈতৈ অমদি ধনরাজনা গোল ওন্থোকখি অদুগা কৈনৌ টিমগী মায়কৈদগী ন্যুটন, জেক্সন, সনাথোই অমদি স্রিনিভাসনা গোল ওন্থোক্তুনা ৪-২দা তৌবুল টিমবু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

### খেলো ইন্দিয়া য়ু-১৭ গলর্স ষ্টেট লীগ

# পি এল এলনা এফ সী ইম্ফাল থোইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): লিংদৈকিমনা চনখিবা গোল অনীগী মতেংনা পেহলুম লমহিল লোম (পি এল এল)না এফ সী ইম্ফালবু ২-০দা চত্থরিবা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট লীগ ফোর অন্দর-১৭ গলর্সকী ঙসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

লিংদৈকিমগী গোল অদুনা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা মায় পাকপগী গোল অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা অন্দ্রো মহিলা মন্দল এসোসিএসন (এ এম এম এ) অমদি ৱিমেন্স ফুটবোল একাদেমি (দব্লিয়ু এফ এ) ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

দব্লিয়ু এফ এগী মালেমঙানবী নাওরেমনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। চিংঙাখম থম্বালতোম্বী চনুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা ইক্কোলাইজ গোল চনবা ঙমখিবনি।

### ষ্টেট সিনিয়র মেন্স ভোলিবোল লোইশিনখ্রে

# কে ৱাই এল এস সীনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী ভোলিবোল কোর্টতা চত্থরকপা ২১শুবা সিনিয়র মেন্স ষ্টেট ভোলিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা কে ৱাই এল এস সী কাচিখুলনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু সেট ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

অহানবা সেটকী শান্নবদা কাচিখুলগী নুপামচাশিংনা পুলিস টিমবু পোইন্ট ২৫-১২দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেটতা পুলিসনা ৩০-২৮দা মায়থীদুনা সেট অমমমম্ কান্নখি। মখা তাবা সেটশিংদা কাচিখুলনা ২৫-১৯ অমদি ২৯-২৭তা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

ৱিন্নর টিমনা লুপা লিশিং ৫ অমদি রন্নর্স অপনা লিশিং ৩গী মনা ফংখি।

### মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# য়ু এস সী অমদি এম আই য়ু এফ সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): মালোমগী ৱাই দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৫শুবা এস ঐচ মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা য়ু এস সী ফয়েং অমদি এম আই য়ু এফ সী ময়াং ইম্ফাল ৩-৩দা দ্রো ওইখ্রে।

ফয়েংগী গোলশিং অদুনা নেক্কি, থৌবা অমদি জয়চান্দনা শান্নবগী ১৭, ২৩ অমদি অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা অমমম্ চনখি। অদুগা ময়াং ইম্ফালগী গোলশিং অদুনা পি গুনজিৎ, এম দি ফজাল অমদি এম দি হামিদনা শান্নবগী ১০, ১৫ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা অমমম্ চনখি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা কে এস ৱাই সী হিয়াংথাং অমদি এম টি এস য়ু মালোম ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

মালোমগী গোল অদুনা তাইবংলেম্বনা চনখি অদুগা হিয়াংথাংগী গোল অদুনা বোবিনা চনখিবনি।

## ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চীফ মিনিষ্টর শগোল কাংজৈ চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী কেপ্টেনগী ওইবা ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ১৩গী অয়ূক পুং ১১দা কংলাদা পাঙথোক্লগনি। মরী লৈনবশিংনা প্রোগ্রাম অসিবু শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি।

# ষ্টেট জিম্নাষ্টিক্স টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): পঞ্জাবকী ফগৱারাদা লৈবা লভলি প্রোফেসনেল য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ২৬তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সিনিয়র আর্টিষ্টিক্স জিম্নাষ্টিক্স নেসনল চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা মীওই ৯না শাবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলগী টিম ঙসি ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসননা লাউথোকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি সী ঐচ মৈরাবা মৈতৈ, এস রুবেন মৈতৈ, কে ঐচ বোবী, কে ঐচ অর্জুন, এ নেলভিন মঙাং, এন খোকামণি, হুইরেম জেসিকা অমদি মথিয়ুহুআইলিয়ু বিল্লানা পামেনি।

ওফিসল অদুনা আর কে বিজয় (মেনেজর কম কোচ)নি।

## রিয়াল টাইক্কোন্দোগী শান্নরোয়শিং লৌগদৌরি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): রিয়াল টাইক্কোন্দো একাদেমি নম্বোল সাবল লৈকাইগী শান্নরোয় নুপীমচা ১০ অমদি নুপামচা ৫ লৌনবগী ফিজিকেল টেষ্ট দিসেম্বর ২০ অমদি ২১দা পাঙথোক্লগনি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক কোচ পুখ্রম্বম রোমেন্দ্র মৈতৈদগী (৭০০৫৭৮০৪৪৩)দগী খঙলবা য়ারগনি।

# এম য়ু কবাদ্দি টিম খনখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): ওরিষ্যাগী মহারাজা স্রিরাম সী বি দি য়ুনিভর্সিটিদা নভেম্বর ২৪দগী ২৭ ফাওবা অদুগা ষ্টেট অসিমক্কী বেহরামপুর য়নিভর্সিটিদা দিসেম্বর ১৪দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি টুর্নামেন্টতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌগদবা নুপা অমদি নুপী টিম ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লাউথোকখ্র।

নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি এম মেনসন, সী ঐচ ইরনজিৎ, এস ঙানবা মৈতৈ, এল রোশন, আর এল পেটরজিৎ, এল বিদুগন, রিঙ্কু এ, ঐচ জহিন্দ্র, টি ঐচ বিদ্যানন্দ, এন ৱাংথোই, এম অথোইবা অমদি এল মালেমঙানবনি। রিজর্ভতা এন হেলমেট মৈতৈ, এম দি অজাদ অমদি এল চাওবনি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা পিঙ্কি ৱাইখোম, এস পুস্পা, এম রোজি, এম সনাথোই, এস সুসিতা, এস রেবিয়া চনু, টি নাওবী চনু, দব্লিয়ু সনাতোম্বী, এস তম্ফাসনা চনু, গ্রেস য়ুম্নাম অমদি রুসিন্দা নাওরেমনি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ১৪গী অয়ূক পুং ১১দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সী ঐচ প্রদিপতা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

## খো-খোগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): ৱেষ্ট বেঙ্গলনা য়ূম্বু ওইদুনা দিসেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪১শুবা জুনিয়র নেসনল খো-খো চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা শান্নরোয়শিং খনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৩গী অয়ূক পুং ৮দা খাঙবোক বাসু গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

# এ এল টি স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): অনাল লেনরুং তাংপী ইম্ফাল ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা অনীশুবা এ এল টি ইম্ফাল স্পোর্টস মীট ২০২২ ঙসি সেকেন্দ এম আর গ্রাউন্দদা পি ঐচ ঈ দিগী এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনীয়র চাপা জেমসন বুংদোননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফুটবোল মশান্নগী মেটচশিংদা এ এস দব্লিয়ু সী এম য়ুনা দি এম য়ুবু ৪-০; এভেঞ্জর্সনা কানখুপমবু ৬-০ অমদি কে এ এম টিনা টি সীবু টাই ব্রেকতা ৭-৬তা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, নুপীগী ভোলিবোল লীগ মেটচশিংদা লুলামনা এম য়ু, জি পিনা দি এম য়ু, দি এম য়ুনা এম য়ু অমদি লুলামনা জি পিবু মায়থীবা পীখি।

## অম্ফানা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): অন্দর-১৪ নুপা অমদি নুপীগী ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা টিমশিংনা মখোয়-মখোয়গী শান্নরোয়শিং থা অসিগী ২০দগী হাংগদৌরিবা সী এম এসতা রেজিষ্টর তৌনবা অম্ফানা খঙহল্লক্লি।


## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): দি এস এ ককচীংগী লাইফ মেম্বর ওইরম্বা ককচীং চুম্নাং লৈকাই ৱার্দ নম্বর ৪দগী সলাম মণিহারনা লৈখিদববু দি এস এ ককচীংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

## ইম্ফাল ইষ্ট লীগ হৌরগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১১(ঐচএনএস): এদহোক কম্মিটি ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা সেকেন্দ অমদি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ নভেম্বর ২০দগী হৌরগনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 626**

**Roven Vogel (2452) - Jiner Zhu (2478)**
**Tata Steel Challengers Wijk aan Zee NED (8), 2022.01.23**

1.Nf3 Nf6 2.d4 d5 3.e3 e6 4.b3 c5 5.Bb2 Nc6 6.Nbd2 Be7 7.a3 O-O 8.Bd3 b6 9.O-O Bb7 10.Qe2 a5 11.Ne5 Qc7 12.Nxc6 Bxc6 13.a4 Rac8 14.f4 Ne4 15.dxc5 Bxc5 16.Kh1 Nxd2 17.Qxd2 f6 18.Qe2 Qe7 19.e4 d4 20.f5 Kh8 21.Qh5 exf5 22.exf5 Rfe8 23.Rf4 Qb7 24.Qg4 Rcd8 25.Rg1 Re5 26.Bc1 Rde8 27.Qh3 Re1 28.Bd2 R1e2 29.Bxe2 Rxe2 30.Rh4 Rxd2 31.Rxh7+ Kg8 32.Rh8+ Kf7 33.Qg4...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 625 Ans. :**

34. Bc3 The white bishop attacks Black's queen, which is defending the square g5. Qc7 35. Ng5+ The white knight attacks Black's king, which is defending the square h8. Kh6 36. Nxf7+ Qxf7 37. Rh8+ Kg5 38.f4+ The white pawn deflects Black's bishop away from protecting the square f8. Bxf4 39. Be1 Bh2+ 40. Kxh2 Qxf1 41. Bh4+ Kf4 42. Rf8+ The white rook skewers Black's king and queen. Ke5 43. Rxf1
34. Bc3 Qc7 35. Ng5+ Kh6 36. Nxf7+ Qxf7 37. Rh8+ Kg5 38. f4+ Bxf4 39. Be1 Be3+ 40.Kg2 Qxf1+ 41. Kxf1 Nxa3 42. Ke2 Bd4 43. Rf8 Nc4 44. Kf3 Kh6 45. Rh8+ Kg5 46. Bh4#
1-0




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com